## জেলদা থম্বগী লেজিসলেসন য়াখ্রে

মোস্কো, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
নুংতিগী ওইবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ক্বারেন্টিন রুলশিং থুগায়বা মীওইশিংবু চহী ৭ ফাওবা জেলগী চৈরাক ফংহনগদবা লেজিসলেসন অমা রসিয়ন লোমেকরশিংনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

রসিয়াগী রিজন ১০ হেনবগী মীওইশিং য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈনবা ওর্দর তৌখিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা রসিয়াগী কোরোনাভাইরস কেস মশিং ওফিসল টেলিদা ২,৩৩৭ দা হেনগৎলকখিবনি।

## দোলর বিলিয়ন ২৫গী চাদিং লাউথোকখ্রে

জকার্তা, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) : কোরোনাভাইরস থেংনবদা গর্ভর্নমেন্টকী চাদিং শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহন্দুনা দোলর বিলিয়ন ২৫ ফাওবা শীজিন্নবা য়ানবা অমদি কুমজা ২০২০ গী বজেট দেফিসিটকী চাং জি দি পিগী চাদা ৫.০৭ ফাওবা য়ৌহন্নবগীদমক্তা রেগ্যুলেসন অমা মহাক্না সাইন তৌরে হায়না ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## ‘এসিয়াদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লোইখিরোই’



বৈজিং, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ লোইগদবা য়াম্না ৱাৎলি অমসুং হৌজিক ভাইরস শন্দোরকপা লাকশিন্নবা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিদি লমদম অসিগী লৈবাকশিংনা পাক্তক্লনা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন থোক্লকপগী মতম য়ারিবমখৈ তপথহন্নবা হোৎনবগী মওংনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরাং পুম্নমক অসি লৌখত্নসু লাইচৎ অসি লেপ্তনা চথুরিবমখৈ লমদম অসিদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী রিস্ক মখা তানা লৈখিগনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওদা ৱেষ্টর্ন পেসিফিক্কী রিজনেল দিরেক্টর ওইরিবা টাকেসি কসাইনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্কী শাথিরবা কোভিদ-১৯ থোকহল্লিবা অনৌবা কোরোনাভাইরস অসি কুমজা ২০১৯গী অথেংবদা সেন্ট্রেল চাইনাদা দিটেক্ট তৌখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইটালি অমসুং স্পেনননা কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং মেনলেন্দ চাইনাদগী হেনখিবগা লোয়ননা হৌজিকমালেম পুম্নগী ওইনা ইনফেক্সন মশিং ৭৭০,০০০ হেনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঐহাক্না ৱাফম অমা ময়েক শেংনা থমজগে। লাইচৎ অসি এসিয়া অমসুং পেসিফিক্তা লোইগদবা ৱাৎলি। মসি মতম শাংনা চত্থগদবা লান অমনি অমসুং ঐখোয়না ইশা ঙাকথোকচনবগী থৌরাং অমত্তা কোমথোকপা তৌরোইদবনি।

লৈবাক খুদিংমক্না পাক-শন্না থোক্লকপা য়ারিবা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগীদমক্তা লেপ্তনা শেম-শাবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না কসাইনা ভার্চ্যুএল মিদিয়া ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

দাইগনোসিসকীদমক্তা অতৈ লৈবাকশিংদা সেম্পলশিং থাবগী তঙাইফদবা লৈরিবা পেসিফিক্কী ইথৎ লৈবাকশিংগুম্বা রিসোর্স মরাং কায়না লৈতবা লৈবাকশিংদা ঐখোয়না থোইদোক হেন্দোক্না মীৎয়েং চঙগদবনি।

হৌজিক ট্রান্সপোর্টেসনগী অথিংবা লৈদুনসু লৈবাকশিং অসিদা দাইগনোসিসকী মতাংদা হেন্না খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কেস মশিং হন্থরক্লে হায়রিবা লৈবাকশিংদা ৱার্নিং তৌরদুনা কসাইনা লৈবাকশিং অসিনা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবগী থবক কোমথোকপা তৌরোইদবনি নৎত্রবদি ভাইরস অসিগী কেসশিং অমুকসু হেনগৎলকপা য়াই হায়খি।

## সাউদি অরাবিয়ানা সানাদা এটেক তৌখ্রে



সানা, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্না অকিবা পোকহনবা লৈদুনসু উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা সিয়া হৌথি রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা লৈরিবা য়েমেনগী কেপিটেল সানাদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন অমনা য়ামদ্রবা এয়র ষ্ট্রাইক ১৫ চথখ্রে।

ইফে ন্যুজগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌথিশিংগী অল-মসিরা টেলিভিজন চেনেলগী রিপোর্টতা নিংথৌকাবা নুমিৎকী এটেকশিং অদুদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ অনীনা অশোক-অপন নংলে হায়না পনখি। রেদ সীদা লৈবা অল-হোদৈদা প্রোভিন্সতা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা অতোপ্পা ষ্ট্রাইক অমদদি মীশি-মীনা থোকখিদ্রে হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি।

সানা সিটিগী অৱাং থংবা চিদাইগী অল-রৌদাদা বেজ তৌবা মিলিটরি একাদেমি অমদা টার্গেট তৌদুনা এটেক ৬ চথখি অমসুং অতৈ এটেক অহুম্না সিটি অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা চিদাইদা লৈবা মিলিটরি সাইদ অমদা চথখি হায়রি।

কোলিসনগী ৱার প্লেনশিং অদুনা কেপিটেলগী অৱাংদা লৈবা সানা এয়রপোর্টকা তাইনরিবা অল-দাইলামি এয়র বেজ অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা সাইটশিংদসু এটেক তৌখি। থা কয়া তুমিন্না লৈরুরবা মতুং ইরান্না শৌগৎপা হৌথি রেবেল গ্রুপ্না নোংমাইজিং নুমিত্তা রিয়াদ অমসুং বোর্দর প্রোভিন্স জিজনদা মিসাইল এটেক অনী চথখিবগী পাউখুম ওইনা কোলিসন্না এটেক অসি চথখিবনি।

## অফ্রিকাদা হেন্না কনবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা রেদ ক্রোসনা আপিল তৌখ্রে



নাইরোবি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
অফ্রিকা অসি হৌজিকসু কোরোনাভাইরসনা ইশোক শোকহনবা ঙমদ্রিবা কন্টিনেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনসু লমদম অসিদসু শাথিরবা লায়না অসি শন্দোরকপগী খোঙজেল কনশিল্লকপগী মওং অমা লৈরকখিবগা লোয়ননা রেদ ক্রোসনা লমদম অসিগী লৈবাকশিংনা খুদক্তা লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা আপিল তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অফ্রিকা অসি পান্দেমিক অসিনা শোকহনবগী চাং খ্বাইদগী নেম্বা কন্টিনেন্ট অমা ওইরি। তৌইগুম্বসুং ভাইরস অসি লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং খুদক্তা লৌখৎহৌদবা তারবদি মসি অফ্রিকাগী মীয়াম অমসুং হেল্থ ক্যের সিষ্টেমশিংগী ওইনা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরকপা য়াই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা আই সী আর সী ফোর অফ্রিকাগী রিজনেল দিরেক্টর ওইগদৌরবা পেট্রিক য়ৌসেফনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৪ দা কন্টিনেন্ট অসিগী ইজিপতা চাইনিজ সিটিজন অমদা অহানবা ইনফেক্সন দিটেক্ট তৌখিবদগী কন্টিনেন্ট অসিগী অপুনবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৫,১৬০ য়ৌখ্রে অমসুং অশিবা মশিংনা ১৭১ শুরে হায়বসি ৱাশিংটনদা বেজ তৌবা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী দেতানা উৎলি।

পান্দেমিক অসিনা খ্বাইদগী নৌনা শোকহল্লিবা লৈবাক্তি বোটস্বানানি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা লৈবাক অসিদা ইফেক্সন অহুম কনফার্ম তৌখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অফ্রিকাগী লৈবাক তরেৎতমক কোরোনাভাইরস চঙদ্রি। লৈবাকশিং অদুদি বুরুন্দি, কোমোরোস, লেসোথো, মালাৱি, সাউতোমে এন্দ প্রিন্সিভ, সিয়ারালিওন অমসুং সাউথ সুদাননি। পান্দেমিক অসিগী অহেনবা পোৎলুম্না অফ্রিকাগী হেল্থ-ক্যের সিষ্টেমশিং ফেল ওইহল্লকপা য়াই হায়না য়ৌসেফনা ৱার্নিং তৌখি।

হায়-ক্বালিটি হেল্থ ক্যের সিষ্টেমশিং লৈবা য়ুরোপকী লৈবাক কয়া কোরোনাভাইরসকী চৈথেংনা লাকহৎলক্লিবা অসিনা অফ্রিকান কন্টিনেন্টকী ৱার্নিং অচৌবা অমা ওইরি। য়াম্না লৌনগনবা ভাইরস অসি শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা সাউথ অফ্রিকা অমসুং রৌৱান্দাগুম্বা লৈবাকশিংদা অকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে। লৈবাকশিং অসিগী মীপুম তিংনা অমগা-অমগা তোৎন-তিন্নহন্দনা থমখ্রবনি।

## জেলশিংদা ইনফেক্সন লাকশিন্নবা প্রিজনর ৩০,০০০ থাদোক্লগনি

জকার্টা, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
মী চিল্লবা ইন্দোনেসিয়াগী জেলশিংদা শাথিরবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনশিং য়ারিবমখৈ থোকহন্দনবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা প্রিজনর ৩০,০০০ লোম মতম ঙনখৎনা থাদোক্লগনি হায়রি।

লো এন্দ হ্যুমেন রাইটস মিনিষ্ট্রিনা ইশ্যু তৌখিবা দোক্যুমেন্ট অমদা এদল্ট প্রিজনরশিং করিগুম্বা মখোয়গী জেলদা লৈবগী মতম শরুক অহুম থোকপগী অনী হৌখ্রবা ওইরবদি পেরোলগী ফিভম য়াগনি হায়না পনখি। অঙাংশিংগী ওইনদি মখোয়গী জেল টার্ম তঙ্খায় য়ৌবা ওইরবদি পেরো য়াগনি হায়নসু পনখি। মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সমেন বামবাং ৱিয়োনোনা প্রিজনর ৩০,০০০ রোমদা পেরোল য়াহনগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়া অসি মালেমগী মরিশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক্নি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট জুকো ৱিদোদোনা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা নেসনল পব্লিক হেল্থ ইমজেন্সি লাউথোকখি।



হৌজিক ফাওবদা ইন্দোনেসিয়ন গর্ভর্নমেন্টনা ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন ১৪১৪ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা শাথিরবা লাইচৎ অসিদা লৈবাক অসিদা শিখিবা মীশিং ১২২ য়ৌখ্রে।

তৌইগুম্বসুং ওফিসল অমসুং এক্সপার্ট খরনদি ভাইরসকী চাংয়েং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা লাইচৎ অসিগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা কেস মশিং ওফিসল মশিং অসিদগী য়াম্না হেল্লম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

ওফিসল দেতানা ইন্দোনেসিয়াদা প্রিজনর ২৭০,৩৮৬ লৈ হায়বসি উৎলি। মশিং অসি লৈবাক অসিগী জেলশিংগী ওফিসল কেপাসিটিদগী শরুক অনীদগীসু হেল্লবনি হায়রি।

দ্রগকী মায়োক্তা লৈবাক অসিনা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লকখিবদগী জেলদা থম্বা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবা সেন্টর কয়া সেনিটেসনগী থৌরাং নীংথিনা লৈতবদগী ইনমেটশিংদা লায়না-লাইচৎনা ইরায় লায়না শোকহনবা য়াবগী ফিভম লৈরি। ইন্সটিট্যুট ফোর ক্রিমিনেল জষ্টিস রিফোমগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর ইরাসমস নাপিতুপুলুনা পেরোলগী ৱাফম অসিবু তরাম্না ওকখি।

## নিজামুদ্দিনদা তিনখিবা মীওই ১,৭৪৬কী মনুংদা ফোরেনর ২১৬ য়াওখি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯না শন্দোরকপা থিংনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিয়া শীন থুংনা জনতা কর্ফিয়ু লাউথোক্ত্রিঙৈগী নোংমা মাওইননা মার্চ ২১ ফাওবদা তব্লিঘি জমাটকী নার্জিমুদ্দিন মর্কাজ ফেসিলিটিদা লৈখিবা মীওই ১,৭৪৬কী মনুংদা ফোরেন নেসনল ২১৬ ফাওবা য়াওখি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মার্চ ২১ ফাওবদা ফোরেনর ৮২৪ রোম লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা তব্লিঘকী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লৈখি। নার্জিমুদ্দিন এরিয়াদা লৈরিবা লাইনিং লাইশোনগী সেক্ট অমগী হেদক্বার্টর্সনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা কোরোনাভাইরস হোটস্পোটশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখিবগা ইরোয়ননা হোম মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা মফম অদুদা পাঙথোকখিবা লাইনিং-লাইশোনগী মীতিনদা শরুক য়াখিবা মীওই ২৪ কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই ২০০ রোমসু লায়না অসিগী লাইওংশিং উৎলকপা হৌরে হায়রি। ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌখিবনি হায়না থাজনরিবা অতৈ মীওই ১০০০ হেন্না ওথোরিটিশিংনা মথোল তরুক্কী বিল্ডিং অদুদগী হোন্দোকপগী থবকসু হৌখ্রে। বিল্ডিং অদুথা অসিদা চহীগী ওইবা কঙ্গ্রেগেসন অমা শীন-লাংখিবা মুস্লিম সেক্ট অমা ওইরিবা তব্লিঘি জমাটনা চলাইবনি।

সেক্ট অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা চহীগী মীতিন অদুদা মরু ওইনা ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, থাইলেন্দ, নেপাল, ম্যান্মার, বাংলাদেশ, শ্রীলঙ্কা অমসুং কির্গিজষ্টাননচিংবা লৈবাক কয়াদগী লাকখিবা দেলিগেটশিংনা শরুক য়াখিবনি।

## ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস শন্দোকপগী চাং অতৈ লৈবাকশিংদগী নেম্মী

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেসশিং অতৈ লৈবাকশিংদগী হন্থনা লৈ হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা ফোঙদোকখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়াদা নুমিৎ খুদিংগী কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস লিশিং/লিশিং রিপোর্ট তৌবগা লোয়ননা মীওই চা কয়া শিবগী পাউ ফোঙনরিবনি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক ফাওবদা কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ১,০৭১ লৈরে অমসুং লায়না অসিনা শিহনখিবা মী মশিংনা ২৯ শুরে হায়না জোইন্ট হেল্থ সেক্রেটরি লাভ অগরৱালনা মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা য়ামদ্রবদা কনফার্ম তৌরবা অনৌবা কেস ৯২ অমসুং নৌনা শিখিবা ৪ গী রিপোর্টশিংসু লৈরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।



লৈবাক অসিদা নুমিৎ খুদিংগী রিপোর্ট তৌরিবা কেসশিং অমসুং অশিবশিংগী মশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ট্রেন্দ এনালাইসিস অমা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসি শন্দোকপগী চাং ইন্দিয়ানা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদগী য়াম্না হেন্না হন্থরি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

লৈবাকশিং অদুদা লৈরিবা মীশিংগী দেন্সিটি য়েংলুরগা লায়না অসি শন্দোকপগী চাং ইন্দিয়াদনা য়াম্না হেন্না নেম্লি হায়বসি খঙখি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং ১০০ লৈরম্বদগী ১০০০ য়ৌবদা নুমিৎ ১২ চঙখিবগী ট্রেন্দ অমা ঐখোয়না ওবজার্ভ তৌখি। অমরোমদা, অতৈ লৈবাকশিংদনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কেস ৩,৫০০; ৫,০০০; ৬,০০০ অমসুং ৮,০০০ ফাওবা রিপোর্ট তৌনখি। মশিং অসি ইন্দিয়াদগী মীশিং য়াম্না হন্থরিবা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগীনি হায়না অগরৱালনা মখা তাখি।

## নেসনল কেপিটেলদা ফিভম লাকশিল্লে, কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লৈত্রি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
নেসনল কেপিটেলদা কোরোনাভাইরস কেস অসি হেনগৎলকখিবগা ইরোয়ননা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, সিটি অসিদা লোকেল ট্রান্সমিসনগী ফিভম কন্ট্রোল তৌরে অমসুং হৌজিকফাওবগী ওইনা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লৈত্রি।

দিজিটেল প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কেজ্রিৱালনা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা দিল্লিদা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস ৯৭ রিপোর্ট তৌবা লৈরে। মীওই অমা সিঙ্গাপোরদা চৎখ্রে। অনীনা শিখ্রে অদুগা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫ না লায়েংবদা পুংফা ফরে। হোস্পিটালশিংদা পুন্না মীওই ৮৯ লৈবগী মনুংদা মীওই অমা ভেন্টিলেটর শীজিন্নরগা থল্লি অমসুং অতৈ অনীনা ওক্সিজেন থাজিল্লগা থল্লি। অতৈ মীওইশিংগী ফিভমশিংদি থোইদোক্না নুংশাথিনিংঙাই ওইদ্রে। পেসেন্ট খুদিংমক ফগৎলক্লবা ঐহাক্না লাইদা খুরুমজরি হায়না কেজ্রিৱালদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নুমিৎ নিনি/হুম্নি অসিদা দিল্লিদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং হেনগৎলকখিবদগী গভর্নমেন্টনা পেসেন্টশিং এনালাইসিস তৌখি।

কেসশিং অসিগী এনালাইসিসতা ঐখোয়না কেস ২৪দি নিজামুদ্দিন মার্কজতগীনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। কেস ৪১ না মপান্দগী লাকপশিংনি, কেস ২২ না মপান্দগী লাকখিবা মীওই ৪১ অসিগী ইমুংগী মীওইশিংনি অদুগা অতৈ কেস ১০ না হৌজিকসু মখা তানা এনালাইসিস চথুরি। হৌজিক কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী তাঙ্কক্তা লৈতে হায়না পনবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা মার্কজগী থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা কোরোনাভাইরস কেস মশিং মখা তানা হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভমসু লৈ হায়খি। মার্চ থাখায় চল্লকপা মতমদা মার্কজতা লাইনিং লাইশোনগী মীতিন অমদা শরুক য়ানবা মীওই চা কয়া পুনখিবনি।

## তব্লিঘিগী জমাটতা শরুক য়াখিবা মীওই ১০৭ থিদোক্নবা ওর্দর তৌখ্রে

ভোপাল, মার্চ ৩১ (এজেন্সি) :
সাউথ ৱেষ্ট দিল্লিদা লৈবা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা তব্লিঘি জমাটকী ইন্টরনেসনল হেদ ক্বার্টস নার্জিমুদ্দিন মার্কসতা পুনখিবশিংগী মনুংদা মধ্যা প্রদেশতগী মীওই ১০৭ য়াওখি হায়বা পাউ অমা ফোঙনরকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর শীবরাজ সিংহ চৌহান্না পুলিস ওফিসলশিংদা মীওইশিং অদু থিদোক্লগা কোরেন্টিন সেন্টরশিংদা থম্ননবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দিরেক্সন পীখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা চীফ মিনিষ্টরনা চ্যের ওইদুনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না সিনিয়র ওফিসলশিংদা ষ্টেট অদুদগী লাইনিং লাইশোনগী মীতিন অদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্নবা খঙহনখি। থা অসিগী অঙনবদা নিজামুদ্দিন ৱেষ্টতা পাঙথোকখিবা লাইনিং-লাইশেনগী কঙ্গ্রেগেসন অদুদা ইন্দোরদগী মীওই কয়া শরুক য়াখি হায়রি।



ইন্দোর রেঞ্জ দি আই জিদা ৱা ঙাঙলদুনা চৌহান্না হায়খি মদুদি, দিল্লিগী নাজিমুদ্দিন মার্কসতা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা মধ্য প্রদেশতগী মীওই ১০৭ না শরুক য়াখি হায়বগী পাউ ঐখোয়না ফংলে। কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা মখোয়দু মশক খঙদোক্লগা ক্বারেন্টিন সেন্টরদা থমগদবনি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী অতৈ মীওই কয়াসু প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি অমসুং মখোয়গী মরক্তগী মীওই ২০০ হেন্না চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়বগী পাউসু ফংলে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। লাইনিং-লাইশোনগী মীতিন অদুদা শরুক য়াখিবা টেলঙ্গনাগী মীওই ৬ শিখ্রবা মতুংসিদা ঐখোয় চেকশিনফম থোকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।